# ইন্দিয়াগী নুপা, নুপী টিমনা অনৌবা গ্লোবেল হোকি লীগ-প্রো হোকি লীগতা শরুক য়াগনি



ইম্ফাল, জুন ১৪ :

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবাল/ককচীংনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা স্কুল ৯ না শরুক য়াদুনা ৱাংজিং কোদো-স্পোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোটো ইন্টরনেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিদগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এন্দ এফেয়রস ওফিসর থৌবালগী আই পুর্নিমাসিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

নোকআউট বেসিসতা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা অন্দর-১৪ বোইজগী মেচ মরি শান্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এল আই ষ্টেন্দর ইংলিস স্কুল ইচম খুনৌনা ব্রিলেন্ট একাদেমি থৌবালবু ৭-১ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখ্রবা এল আই ষ্টেন্দর ইংলিস স্কুলগী গোলশিং অদু ৱাই অকাসনা মেচকী মিনিট ৪ দা গোল অমা, টি ন্যুটন্না মেচকী মিনিট ১২ দা গোল অমা, কে রোনাল্ডোনা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতমদা গোল অমা, য়ুহেনবনা মেচকী মিনিট ৩৫ অমদি ৪৫ চৎপা মতমদা গোল অনী, রোহিটনা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গোল অমা অমদি এন দ্রুবনা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

ব্রিলেন্ট একাদেমিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দোরনাল্ডোনা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা এল আই ষ্টেন্দর ইংলিস স্কুলনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অনীশুবা হাফতা এল আই ষ্টেন্দর ইংলিস স্কুলনা গোল মরি অমগা চনশিন্দুনা ৭-১ দা লৈখিদুনা ব্রিলেন্ট একাদেমিবু মায়থীবা পীখিবনি।

অয়ূক্কী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা স্প্রিংফিল্ড স্কুল ৱাংজিংনা ন্যু পব্লিক স্কুল খাঙবোকপু গোল ৭-১ দা মায়থীবা পীখি। মায় পাকখ্রবা স্প্রিংফিল্ড স্কুলগী গোলশিং অদু ৱাই অনাওবনা মেচকী মিনিট ১৫ অমদি ২১ চৎপা মতমদা গোল অনী, মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতমদা এম রবিনা গোল অমা, মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা এম কিরন্না গোল অমা, মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা কে ঐচ সদানন্দনা গোল অমা অমদি মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা কে ঐচ রাজেসনা গোল অমা চনখি।

মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা ন্যু পব্লিক স্কুলগী সোংলার্জিৎনা ওন গোল অমা চনশিনখিদুনা স্প্রিংফিল্ড ৱাংজিংগী তরেৎশুবা গোল ওইখি। ন্যু পব্লিক স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা চীংখৈনা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা দোরেন্দ্রো মেমোরিএল ইংলিস স্কুল হৈরোক্না রুরেল পব্লিক স্কুল ৱাংজিংবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখ্রবা দোরেন্দ্রো মেমোরিএল ইংলিস স্কুলগী গোল অদু অমুজাওনা মেচকী মিনিট ২০ অমদি মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা রোবিনসন্না গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা রুরেল পব্লিক স্কুল ৱাংজিংগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৩৯ চৎপা মতমদা বানট বুসানা চনখি।

নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা উয়াল জুনিয়র হায়স্কুল উয়ালনা য়ুরেকা হায় স্কুল সাপমবু টাই ব্রেক্তা ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

# আই সী সী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৭
# ইন্দিয়ানা ওপনিং মেচতা ইংলেন্দগা শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, জুন ১৪ :

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা জুন ২৪ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা আই সী সী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ কী ওপনিং মেচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ইংলেন্দগী মফম মরিদা পাঙথোক্কনি। মফমশিং অদুদি ব্রিষ্টোল কাউন্তি গ্রাউন্দ, কাউন্তি গ্রাউন্দ দরবি, গ্রেস রোদ লৈসষ্টর অমদি কাউন্ট গ্রাউন্দ তৌন্টোননি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচনা লোর্ষ্টতা জুলা ২৩ দা শান্নগনি। সেমী ফাইনেল মেচনা জুলাই ১৮ অমদি ২০ দা মথংশিৎনা ব্রিষ্টোল অমদি দরবিদা শান্নগনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী টিমবু মেগ মানিংনা লুচিংদুনা টাইটল দিফেন্দ তৌননবা হোৎনগনি।

কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা অরোইবা আই সী সী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

নুমিৎ ২৭ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ জুন ২৪ গী ওপনিং মেচশিংদা ন্যুজিলেন্দ অমদি শ্রীলঙ্কা অনীনা ব্রিষ্টোলদা শান্নগনি অদুগা ইন্দিয়া অমদি য়ূম্বু ইংলেন্দনা দরবিদা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সচরদা জুন ২৪ দা ন্যুজিলেন্দ অমদি শ্রীলঙ্কা অনীনা ব্রিষ্টোলদা অদুগা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়ানা দরবিদা শান্নগনি।

জুন ২৫ দা লৈসেষ্টরদা পাকিষ্টান অমদি সাউথ অফ্রিকা অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। জুন ২৬ তা টৌন্টোন দা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীনা শান্নগনি। জুন ২৭ তা ইংলেন্দ অমদি পাকিষ্টান্না লৈসেষ্টরদা শান্নগনি। জুন ২৮ দা সাউথ অফ্রিকা অমদি ন্যুজিলেন্দ অনীনা দরবিদা শান্নগনি।

জুন ২৯ দা শ্রীলঙ্কা অমদি ওষ্ট্রেলিয়া অনীনা ব্রিষ্টোলদা অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি ইন্দিয়ানা টোন্টোন্দা শান্নগনি। জুলাই ২ দা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দ অনীনা ব্রিষ্টোলদা অদুগা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অনীনা দরবিদা, সাউথ অফ্রিকা অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজনা লৈসেষ্টরদা, য়ূম্বু ইংলেন্দ অমদি শ্রীলঙ্কা অনীনা টোন্টোন্দা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। জুলাই ৫ দা য়ূম্বু ইংলেন্দ অমদি সাউথ অফ্রিকানা ব্রিষ্টোলদা, শ্রীলঙ্কা অমদি ইন্দিয়ানা দরবিদা অমদি পাকিষ্টান অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈসেষ্টরদা শান্নগনি।

জুলাই ৬ তা ন্যুজিলেন্দ অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীনা টোন্টোন্দা শান্নগনি। জুলাই ৮ দা সাউথ অফ্রিকা অমদি ইন্দিয়ানা লৈসেষ্টরদা, ন্যুজিলেন্দ অমদি পাকিষ্টান্না টোন্টোন্দা শান্নগনি। জুলাই ৯ দা ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা ব্রিষ্টোলদা, ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি শ্রীলঙ্কানা দরবিদা শান্নগনি।

জুলাই ১১ দা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি পাকিষ্টান্না লৈসেষ্টরদা শান্নগনি। জুলাই ১২ দা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইন্দিয়ানা ব্রিষ্টোলদা, ইংলেন্দ অমদি ন্যুজিলেন্দনা দরবিদা শান্নগনি। জুলাই ১৫ ইংলেন্দ অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজনা ব্রিষ্টোলদা, ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দনা দরবিদা, পাকিষ্টান অমদি শ্রীলঙ্কানা লৈসেষ্টরদা অমদি সাউথ অফ্রিকা অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা টোন্টোন্দা শান্নগনি।

জুলাই ১৮ অমদি জুলাই ২০ দা মথংশিৎনা ব্রিষ্টোলদা অহানবা সেমী ফাইনেল অমদি দরবিদা অনীশুবা সেমী ফাইনেল শান্নগনি। লোয়নরা জুলাই ২৩ দা লোর্দসতা ফাইনেল মেচ শান্নগনি।

# পাকিষ্টান্না য়ূম্বু ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ফাইনেল চঙখ্রে

কার্দিফ, জুন ১৪ :

পাকিষ্টান্না মফম অসিদা চথরিবা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা য়ূম্বু ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

পাকিষ্টানগী বোলরশিংনা মশক থোক্না প্রোফেসনল পার্ফোমেন্স পীখিবদগী ইংলেন্দবু রন ২১১ খক্তমক লৌহনখিদুনা মায়থীননবগী লম্বীদা চঙশিনখি।

টোস ঙমখিবা পাকিষ্টান্না ফিল্ডিং খনখিদুনা য়ূম্বু ইংলেন্দনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। ইংলেন্দনা ওভর ৪৯.৫ দা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ২১১ লৌদুনা পাকিষ্টানগীদমক টার্গেট রন ২১২ পীরমখি। মদুগী পাউখুমদা পাকিষ্টান্না ওভর ৩৭.১ দা ৱিকেট অনীখক্তমক তুরগা অপূনবা রন ২১৫ লৌদুনা য়ূম্বু ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি।

পাকিষ্টানগী বোলর হাসন আলিনা ওভর ১০ দা রন ৩৫ পীরগা ৱিকেট অহুম লৌদুনা টিমগী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা বোলর ওইখি। জুনাইদ খাননা ওভর ৮.৫ দা রন ৪২ পীরগা ৱিকেট ২, রুমন রাইসনা ওভর ৯ দা রন ৪৪ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি শদাব খান্না ওভর ৯ দা রন ৪০ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখিদুনা য়ূম্বু ইংলেন্দগী বেট্টিং পার্ফোমেন্সপু থুগাইখি।

পাকিষ্টানগী ওপনর বেটসমেন অজার অলিনা বোল ১০০ দা বাউন্দরি মঙা য়াওনা সিক্স অমা কন্দুনা রন ৭৬ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী লৌবা বেটসমেন ওইদুনা মায় পাক্কনবগী য়ূম্ফম থোনখি।

ফাখর জমন্না বোল ৫৮ দা রন ৫৭



(ফোর তরেৎ, সিক্স অমা), বাবর অজামনা নোট আউটতা লৈখিদুনা বোল ৪৫ দা রন ৩৮ (ফোর অনী, সিক্স অমা) অমদি মোহম্মদ হাফিজনা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ২১ দা রন ৩১ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

ইংলেন্দগী ওপনর জোনি বিয়র্টোনা বোল ৫৭ তা রন ৪৩, জো রুটনা বোল ৫৬ তা রন ৪৬, টিম কেপ্তেন ইয়োইন মোর্গান্না বোল ৫৩ দা রন ৩৩, বেন ষ্টোক্সনা বোল ৪৪ দা রন ৩৪ লৌদুনা টিমগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখ্রবসু মায় পাক্কনবগী য়ূম্ফম থোনবদি ঙমখিদে।

মখোয়গী বেটচমেন এলেক্স হেলনা বোল ১৩ দা রন ১৩, জোস বট্টলরনা বোল ৭ তা রন ৪, মোয়িন আলিনা বোল ১৪ দা রন ১১, অদিল রসিদনা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ১৩ দা রন ৭, লিয়াম প্লুকেটনা বোল ১৪ দা রন ৯ অমদি মার্ক ৱুদনা বোল ৫ দা রন ৩ অমদি জেক বোলনা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ৫ দা রন ২ খক্তমক লৌবা ঙমখিদুনা টিমবু মায় পাক্কবা ঙাক্লৌ পীবা ঙমখিদে।

ইংলেন্দগী বোলর জেক বোলনা ওভর ৮ দা রন ৩৭ পীরগা ৱিকেট অমা অমদি অদিল রসিদনা ওভর ১০ দা রন ৫৪ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি।

## মণিপুরগী বেল্ট রেষ্টলরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ :

কাজিষ্টান্না য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা বেল্ট রেষ্টলিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়ন টিম শেম্নবগী পাঙথোক্কদবা কেম্পতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ওল মণিপুর ত্রেদিসনল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসন্না লাউথোকখ্রে।

লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন কেম্প অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি ওইনাম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা তৌবুলদা ওল মণিপুর ত্রেদিসনল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ত্রাইএল সেলেক্সন্দা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটাগোরিশিংগী শান্নরোয়শিংদগী খনগৎখি।

খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ সিমা, এল দাইনা (কেজি ৪৫ মখা), কে ঐচ বিনাতা, এম রোসিমি (কেজি ৫০ মখা), এল সন্দিয়া, এন গুনিলৈমা (কেজি ৫৫ মখা), চীংশুবম বিজেতা, এলাংবম বিসোবানু (কেজি ৬৬ মখা), ঙারিয়ানবম বেবি (কেজি ৭০ মথক) নি। অদুগা নুপামচাগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ প্রিয়ানন্দা, এল কিষন (কেজি ৫৫ মখা), এন শান্তিকুমার, এম রামেসচন্দ্র (কেজি ৬৫ মখা), টি রিসিকান্ত, এন হেলেন্দ্রো (কেজি ৬০ মখা), এন সুরেস, টি ওমিবালা (কেজি ৭০ মখা), টি রোমেন, কে চীংসান (কেজি ৮০ মখা) অমসুং কেজি ৯০ গী মখাগীদা ৱাই মালেমঙানবা অমদি এল অমরনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা জুন ২০ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী ফোরেন পাসপোর্টকী জেরোক্স অমমম অমদি মরী লৈনবা চে চাংশিং পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি। অকূপ্পা মরোলগীদমক ওল মণিপুর ত্রেদিসনল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসন্দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## ফেন্সরশিং রিন্যু তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৪ :

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা ক্লব, য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্টকী ফেন্সরশিংনা জুন ২৬ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী এন্যুএল রিন্যু অমদি নৌনা রেজিষ্টর তৌননবগীদমক এসোসিএসন অসিনা খঙহল্লক্লি।

ক্লব, য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ফেন্সরশিংনা রিন্যু অমদি রেজিষ্টর তৌদ্রবদি লাক্লিবা জুলাই ৮ দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল গভর্ণরস কপ ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

মখা তাবা অকূপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন্দা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়া বাস্কেটবোল টিমনা ২০১৭ ব্রিক্স গেমসতা শরুক য়াগনি
# গেমস অসিদা নুপা অমদি নুপীগী ৱুশু টিমসু য়াওগনি

বেঙ্গলুরু, জুন ১৪ : চিনানা য়ূম্বু ওইদুনা গ্বাংজৌদা জুন ১৭ তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স গেমস ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী নুপাগী বাস্কেটবোল টিমনা শরুক য়াগনি।

নুপাগী বোল্লিবোল টিম অসি য়াওনা অন্দর-২০ ৱিমেন'স বোল্লিবোল টিম অমদি নুপা অমদি নুপীগী ৱুশু টিমনা গেমস অসিদা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোল্লিবোল টিম, অন্দর-২০ ৱিমেন'স বোল্লিবোল টিম, নুপা অমদি নুপীগী ৱুশু টিমনা ইন্দিয়াগী শরুক য়াগদবা কন্টিঞ্জেন্ট ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী ত্রেনিং কেম্প অমা জুন ৫ দগী ১৪ ফাওবা বেঙ্গলুরুদা লৈবা নেটাজি সুভাস সাউর্দন সেন্তর (এন এস এস সী), স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা প্লেয়র ১৪ গা লোয়ননা পাঙথোকখি অমদি ফাইনেল সেলেক্সন্না জুন ১০ দা পাঙথোকখি।

ইন্দিয়ানা মঙাশুবা সাবা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা প্লেয়র ১২ গী মনুংদা ১০ না টিমদা অমুক হন্না য়াওবা ঙমখি। পঞ্জাবকী সাব শুটর অর্শিপ্রীট সিংহ বুল্লর অমদি ষ্টার প্লেয়র অমজয়োট সিংহ গিল্লবু স্কাদ অসিদা নৌনা হাপচিনবা মেম্বর ওইখি।



মখোয় অনীনা মালদিপসতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্না টাইটল লৌখিবা অদুদা টিমগী মেম্বর ওইখিবনি।

সাবা চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাকখিবা টিমদা য়াওখিবা অমরিট পাল সিংহদি ত্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাকপু ওষ্ট্রেলিয়াদা চথখিবা এন বি এল টিম সিদনি কিংসতা মখোয়গী কেম্পকীদমক চেবাউ পীরকপদগী শরুক য়াবা চৎখিদুনা ত্রেনিং কেম্প অদুদা য়াওবা ঙমখিদবনি।

ব্রিক্স গেমস ২০১৭ অসিনা ইন্দিয়ানা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিবা এসিয়া কপ ২০১৭ কী শেম শাবা ওইনা থোক্লি। ব্রিক্সকী গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা শক্নাইরবা টিমশিং রসিয়া অমদি য়ূম্বু চিনাগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নবগী খুদোংচাবা ফংবদা নত্তুনা মশান্না অসিগী অহেনবা লৌশিংসু ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

LOAN AVAILABLE

1. মখল খুদিংগী Farm, লৌ, ইস্খোল অমসুং building য়োনবীনীংবা মীওইশিংগী খুদোংচাবা লৈগনি।
2. মখল খুদিংমক্কী গাড়ী 2 wheeler/3wheeler শিংগী exchange তৌবগী খুদোংচাবা লৈগনি।
3. SERVICE LOAN
4. PENSION LOAN

L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI
near Yumjao Lairembi Maning

Branches at :
Moirang Patlou, Nambol Phoijing Lambal, Sekmai Koujengleima, Thoubal Okram, Kakching Opp. Police Station, Samurou Near Machu Hall.




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com